# জে এন য়ুনিভর্সিটি এটেক অদু মখোয়ননি হায়না হিন্দু রক্সা দলনা ফোঙদোক্লককখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*

জে এন য়ু মহৈরোইশিংদা তৌখিবা এটেক অদু হিন্দু রক্সা দল কৌবা রাইট–ৱিং গ্রুপ অমনা দায়ত্ব লৌবগী মওংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা ভিদিও অমা থাদোক্লককখ্রে।

ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকখিবা ভিদিও অদু পাক শন্না খঙনরকখ্রে। হায়রিবা ভিদিও অদুদা মশামকপু পিঙ্কি চৌধরি কৌই হায়না শকতাকচবা মীওই অমনা এন্টি–নেসনেল এক্টিভিটিশিং চথবশিংবু জে এন য়ু মহৈরোইশিং অমসুং ফেকলটিনা মায়োক্নখিবা মরাইবক অদুগা চপ মান্ননা ফংগনি হায়খি।



অদুগী মতাংদা পুলিসকী নাকন্দগী ৱা অমত্তা খুদক্তা ঙাংলক্ত্রি।

চহী কয়ামরুমদগী হৌনা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভসিটি অসি কম্যুনিষ্টশিংগী মফম অমা ওইরকখ্রে অমসুং মদু ঐখোয়না য়ারোই। হিন্দু রক্সা দল, ভুপেন্দ্র তোমার, পিঙ্কি চৌধরিনা জে এন য়ুদা থোকখিবা অদুগী দায়ত্ব লৌরি। মখায় পূন্নমক ঐখোয়গী ভলিন্টিয়ারশিংনি। মাদর ইন্দিয়াগীদমক অসিগুম্বা থবক তৌবা ঙল্লোইদবশিং লৈবাক অসিদা হিংবগী হক লৈতে হায়না চৌধরিনা হায়বদু ভিদিও অদুদা উখি।

ঐখোয়না মাদর ইন্দিয়াগীদমক ঐখোয়গী পূন্সি কন্থোক্নবা মতম পূন্নমক্তা থৌরাং তৌরি। লাইনিংগী মায়োক্তা ৱা ঙাংবা মীওই অমত্তা ঐখোয়না লেন্না থারোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এন্টি–নেসনেল এক্টিভিষ্টশিংদা চেন্নবা মীওইশিং চপ মান্নবা এটেকশিং মায়োক্নগনি হায়না মহাক্না কোন্না ন্যুজ চেনেলশিংদা হায়খি।

পিঙ্কি চৌধরি হায়রিবা মীওই অদুনা ফোঙদোক্লক্লিবা ৱাফমশিং

চৌধরিগা পাউ ফাউননবা হোৎনবা পূন্নমক, মাগী ফোন স্বিটচ ওফ তৌখিবনা ফংবা ঙমখিদে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভসিটিগী কেম্পস মনুংদ মায়খুম উপ্পা মীওই খূৎপু চংলক্লগা মহৈরোইশিং অমসুং প্রোফেসারশিং ফুখি অমসুং পোৎ–চৈ কয়া থুগাইখি। মদুদা মহৈরোই ৩৫ হেন্না শোকখি।

মহৈরোইশিং অদুদা এটেক তৌখিবা অদুগীদমক জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (জে এন য়ু এস য়ু)না আর এস এস তা এফিলিয়েট তৌবা অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) ভোলুন্টিয়ারশিংদা মরান শীখিবনি।

# ট্রম্প হাৎপদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮০ রিৱার্দ লাওথোকখ্রে ইরান জেনরেলগী মথৌ–মঙমদা নেৎশিন্নবদা ৩২ শিখ্রে



*টেহরান, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসনা দ্রোন এটেকশিং চখদুনা জনুৱারি ৩দা ইরানগী মিলিটরি কম্মান্দর অমা ওইরিবা জেনরেল কাসেম সোলৈমানিবু হাৎখিবগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট ডোনাল্ড ট্রম্পকী মকোক্তা ইরাননা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮০গী রিৱার্দ অমা থমখ্রে হায়না পাউ কয়ানা হায়রি।

মকোক থোংবা ইরানগী মিলিটরি কম্মান্দর অদুগী অরোইবা মথৌ–মঙমগী টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা অচৌবা প্রোসেসন অদুগী মনুংদা ওফিসিয়েল ষ্টেট ব্রোদকাষ্টিং চেন্নেলশিংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট হাৎপা মীওই অদুদা শেনফম অদু পীগনি হায়খি হায়না *মিরর ডোট কোম ডোট য়ু কে*গী রিপোর্ট অমনা হায়খি।

ইরানগী অপুনবা মীশিং মীল্লিয়ন ৮০নি। মীশিং অসিদা য়ুমফম ওইরগা ঐখোয়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মকোক অদু ফংবা ঙম্বা মীওইশিংদা রিৱার্দ ওইনা পীনবা মী অমমমদগী দোল্লর অমমমনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮০ ফানা ঐখোয়না খোমগৎকনি হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেট ব্রোদকাষ্টিং চেনেল অদুনা লাওথোক্লককখি।

সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ আলি খামেনৈ অমসুং প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা য়ু এসকী মথক্তা লমন খুমগনি ৱাশকখি। মসিগী মমাঙ নোংমাইজিং নুমিৎতসু অমেরিকান পোলিটিক্সকী ময়োলদা ইরানগী এম পি অবোল ফাজল অবৌতোরাবিনা কিহনখি। ঐখোয়না হ্বাইট হাউস মক্তদা এটেক তৌবা ঙম্মি, ঐখোয়না অমেরিকাগী লৈমাইদা মখোয়দা পাউখুম পীবা ঙম্মি হায়না মহাক্না হায়খি।

নিথৌকাবগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইরান পার্লিয়ামেন্টকী ওপন সেসন মনুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পপু টেরোরিষ্ট অমনি হায়না কৌখি।

ইরানগী খা–নোংপোক থংবা সিটি কেরমনদা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জেনরেল সোলৈমানিগী অরোইবা মথৌ–মঙমগীদমক মশীং থিঙমদবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদা মীয়াম নেৎশিন্নবদা মীওই ৩২ শিখ্রে অমসুং ১৯০ শোক্লে হায়না ষ্টেট টেলিভিজননা হায়খ্রে।

খা নোংচুপ থংবা সিটি অহবাজ ফাওদুনা কোম অমসুং মসাদ কৌবা শ্রাইন সিটিশিং লোয়ননা লৈবাক্কী কোনুং টেহরান ফাওদুনা প্রোসেসনশিং লাকখ্রবগী নুমিৎ কয়ানিগী তুংদা ঙসি লৈবাকপোকপগী অরোইবা মথৌ–মঙম অসি পাংথোক্লিবনি।


# সিয়াচেন গ্লেসিয়র খুদুমচনবা ঙমহনখিবা লেঃ জেনরেল পি এন হূন লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হান্নগী ৱেষ্টর্ন আর্মি কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল প্রেম নাথ হূননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাক্না খ্বাইদগী হেনবা কখোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী থবক তৌরমখি হায়খ্রে।

লেফটনেন্ট জেনরেল পি এন হূন (রিটয়ার)না ঐখোয়গী লৈবাকপু মপাঙ্গল হেন্না কন্নবা অমসুং হেন্না সেক্যুওর ওইনবা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌরম্মি। মহাক লৈখিদবা থম্মোয় শোক্না ৱাই। অসিগুম্বা অৱাবা পূংজা অসিদা মহাক্কী ইমুং অমসুং মরুপ–মপাংশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ত্বিট তৌখি।

১৯৮৪দা পাকিস্তানগা থেংনখিবা লানদা





মরুওইবা থৌদোং লৌরমখিবা লেফটনেন্ট জেনরেল হূন মশাগী চহী ৯০ শুবদা ঙরাং নিংথৌকাবগী নুমিদাংৱাইরমদা লৈখিদ্রে। মহাক চান্দিগড়গী পঞ্চকুলাগী চান্দিমন্দিরদা লৈবা কম্মান্দ হোস্পিটালদা পুখৎখি। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পূং ৫.৩০ রোম তাবদা শিরে হায়না লাওথোক্লককখি।

মচেৎ ২ খায়দোক্ত্রিঙৈ ইন্দিয়াদা ওক্টোবর ৪, ১৯২৯দা পোকখিবা জেনরেল হূননা ইন্দিয়ান আর্মিদা য়াওরকখি অমসুং কাশ্মির রিজনদা সিয়াচেন গ্লেসিয়র খুদুম চন্নবগী ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সশিংগী ওপরেসন –কোদ নেম ‘ওপরেসন মেঘদুত’ লুচিংখি।

মহাক্কী থবক অদুনা ইন্দিয়ান ট্রুপশিংবু সিয়াচেন গ্লেসিয়র পূম্বা খুদুম চনবা ঙমহনখি। লেফটনেন্ট জেনরেল হূন লৈবাকসিদা খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা মিলিটরি ভেটেরানশিংগী মনুংদগী অমনি।

# অৱন্তিপোরাদা সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্নবদা টেরোরিষ্ট ১ শিখ্রে

*শ্রীনগর, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*

খা কাশ্মিরগী অৱন্তিপোরা এরিয়াদা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্নখিবগী থৌদোক অমদা টেরোরিষ্ট অমা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুদা মিলিটেন্ট অদু লৈরে হায়বগী মতাংদা মরিক চুম্বা ই–পাউ অমা ফংবদগী ঙসি লৈবাকপোকপগী অঙনবদা অৱন্তিপোরাগী চুরসৱু খূঙ্গং কোয়শিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক অমা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখি।

ওপরেসন অদুদা মিলিটেন্ট অদুগা থেংনদুনা খূৎ থোক্নখি অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী খূৎতা টেরোরিষ্ট অদু শিখি। মহাক আনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী বিজবেহরাদা লৈবা সহিদ কৌবা মীওই অমনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। সেক্যুরিটি ফোর্সনা মহাকপু সেরেন্দর তৌনবা খঙহনখি অমদুবু মদুগী মহুত্তা মহাক্না নোংমৈ কাপ্নবা হৌরকখি। ঙৈহাক্তং নোংমৈ কাপ্নরবা তুংদা মহাক সেক্যুরিটি ফোর্সকী নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবনি।

# সুপ্রিম কোর্টকী জজ ৯গী বেঞ্চনা জনুৱারি ১৩দগী সবরিমালা কেস হিয়ারিং তৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*

সবরিমালা অয়য়াপ্পা লাইশঙদা মশাগী চহী ১০দগী ৫০ ফাওবগী নুপীশিং চংবা য়াহনবা জজ ৫গী বেঞ্চকী মমাঙগী ৱায়েল অমা রিভ্যু তৌনবগী থবক অদু চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেনা জজ ৯গী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অমদা শিন্নখ্রে। বেঞ্চ অদুনা জেনুৱারি ১৩দগী হিরম অদু হিয়ারিং তৌবা হৌরগনি।

২০১৮গী সেপ্টেম্বর ২৮দা সুপ্রিম কোর্টকী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অমনা লাইশঙদা নুপীশিং চংহন্দবগী কষ্টম অদুবু অন–কনষ্টিট্যুসনেলনি হায়না লেপখি অমসুং সবরিমালা লাইশঙদা নুপী পূন্নমক চংহন্নবগী থোঙ হাংদোকখি।

অদুবু সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা রিভ্যু পেটিসন ৫০ হেন্না থাঙ্গৎলকখি। হান্নগী ৱায়েল অদু ষ্টে তৌদনা অতোপ্পা জজ ৫গী বেঞ্চ অমনা নবেম্বর ১৪দা ৱাথোক অদু তুংদা লাকপা য়াবা লিটিগেসনগী মতাংদা থবক চত্থবা য়ানবা সুপ্রিম কোর্টকীদমক গাইদলাইন্স পীরন্নবা



হায়জবা অমগা লোয়ননা জজ ৭কী বেঞ্চ অমদা রিফর তৌখি।

দিসেম্বর ১৩দা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়ানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা জজ ৫গী বেঞ্চনা পীখিবা ৱায়েল অদু হেন্না চাওবা বেঞ্চ অমনা অমুক হন্না খন্নদ্রিবা ফাওবা নমদুনা থবক্তা ওন্থোক্নবা কেরেলা গভর্ণমেন্টতা দিরেক্টিব পীয়ু হায়বা য়াখিদে।

ৱায়েল অদু থবক ওন্থোক্নবা দিরেক্টিব পীখিদবগা লোয়ননা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়ানা –খ্বাইদগী থুবা মতমদা ঐহাক্না জজ ৭কী বেঞ্চ শেন্নবা হোৎনগনি। করিগুম্বা জজ ৭কী বেঞ্চ অদুনা মখোয়গী মায়কৈদা ৱায়েল তারবদি ঐখোয়না শোয়দনমক ওর্দরস (চহী লেঙ্গা পূন্নমক্কী নুপীশিং সবরিমালা লাইশঙ মনুংদা চংবা য়াহনবা ৱায়েল অদু থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক) পাস তৌগনি হায়খি।

# পাকিষ্টানগী নেসনেল এসেমব্লিদা জেনরেল বজৱাগী মতম চহী ৩ অমগা শাংদোকহন্নবা মরুওইবা বিল ৩ পাস তৌখ্রে

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*



পাকিষ্টানগী নেসনেল এসেমব্লি, পার্লিয়ামেন্টকী লাওৱার হাউসনা আর্মি চীফ জেনরেল কামার জাবেদ বজৱাদা অতোপ্পা চহী ৩ সার্ভিস মতম শাংদোক্নবা মরুওইবা বিল ৩ ঙসি পাস তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী য়ান্না নক্নবা থাজনবা অমা ওইরিবা জেনরেল বজৱা হৌখিবা চহী নবেম্বর ২৯দা থবক্তগী পোত্থারগদবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা আগষ্ট ১৯দা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা রিজনরেল সেক্যুরিটিগী ফিভম পল্লদুনা মাগী হান্নগী চহী ৩গী মতম অদুগা চপ মান্ননা মশাগী চহী ৫৯ শুবা আর্মি চীফপু মতম শাংদোকহনখি।

অদুম ওইনমক আর্মি চীফকী থবক তৌবগী মতম শাংদোকহন্নবা লো লৈতে হায়রদুনা গভর্ণমেন্ট ওর্দর অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা নবেম্বর ২৮দা ককথৎখি। অদুম ওইনমক মকোক থোঙবা কোর্ট অদুনা থা ৬কী মনুংদা আর্মি চীফ অমা হাপ্নবগী লেজিসলেসন অমা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌগনি হায়বা গভর্ণমেন্টনা থাজবা পীরবা তুংদা জেনরেল বজৱাদা থা ৬কী মতম শাংদোকপা য়াহনখি।

অহানবদা থাজরুদ্রবসু গভর্ণমেন্টনা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী শৌগৎপা ফংদুনা আর্মি, নেভি অমসুং এয়ার ফোর্সকী চীফশিং অমসুং জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফ কমিটিগী চিয়ারমেনগীদমক চহী ৬০দগী ৬৪দা থবক্তগী পোত্থবগী চহী শাংদোকহন্নবা নেসনেল এসেমব্লিদা বিল ৩ পুথোকখি।

বিলশিং অদু এসেমব্লিগী অয়াবা লৌনবগী লম্বী ফাৎতুনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ষ্টেন্দিং কমিটি ওন দিফেন্সনা অয়াবা পীখি।

পাকিস্তান আর্মি (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০, পাকিস্তান এয়ার ফোর্স (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০ অমসুং পাকিস্তান নেভি (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২০ বিল, ৩ অসি ভোট লৌননবা দিফেন্স মিনিষ্টর পরভাইজ খাতকনা পুখৎখি অমসুং পাকিস্তান মুস্লিম লিগ –নৱাজ অমসুং পাকিস্তান পিপল পার্টিনা বিলশিং অদুবু শৌগৎপা মরন্না লায়না পাস তৌখি। অদুম ওইনমক জামিয়াত উলেমা–ই–ইস্লাম ফাজল অমসুং জামাদ–ই–ইস্লামিনা অনৌবা লোশিং অদু মখোয় য়ানিংদে হায়দুনা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন অদু বোয়কোট তৌখি।

নেসনেল এসেমব্লিদা অয়াবা ফংলবা তুংদা বিলশিং অদু সিনেট, অপ্পর হাউসতা পুথোক্লগনি অমসুং অপনবা লৈতনা পাস তৌরবা য়াই। হাউস অনীনা হেক অয়াবা পীবগা বিলশিং অদু চল্লাইনবা অরোইবা অয়াবা লৌনবগীদমক প্রসিদেন্টতা লানখৎখ্রগনি।

অদুবু সার্ভিস চীফশিংগী মতম শাংদোকহন্নবগী বিল পাস তৌখ্রবগী পুং খরগী তুংদা পাকিস্তান বার কাউন্সি (পি বি সি)না মতম শাংদোকপগী মথৌ তাবা অমসুং ওইবা য়াবগী মরুওইবা ইসুশিং খন্নদনা পাস তৌখিবগীদমক ঙরাং নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

# ইরানগী জেনরেল সোলৈমানি হাৎপা ঙমহনখিবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৬৪গী এয়ারক্রাফ

*বৈরুট, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*

হৌখিবা চয়োলদা বাঘদাদ ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতা কমর্সিএল এয়ারলাইনর অমদগী ইরানগী জেনরেল কাসিম সোলৈমানিনা কুমথদ্রিঙৈ ফাওবগী মমাঙদা মহাক্কী



মরাইবক অদু হান্ননা লেপ্তুনা লৈখ্রে।

কুদস ফোর্স কম্মান্দর অদু হাৎখিবা অমসুং মিদ–ইষ্টতা উংখৎনবা ৱাংহংনখিবা থৌদোকশিংগী থবক পরিং অদু পুং খরগী মমাঙদা বৈরুটতগী হৌখ্রে।

জেনরেল সোলৈমানিগী ট্রেভেল প্লানশিং অদু লেবাননগী কোনুং বৈরুটতা য়ু এসনা খঙখি, বাঘদাদতা লাক্নবগী মহাক্না প্লেন তোঙখৎখিবা অদু য়েংখি। বাঘদাদকী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতগী প্লেন অদুদগী কুমথদুনা মহাক্না লাকখিবা অদু হায়–ভেলু টেরোরিষ্টশিংগী এটেকতা অয়াম্বা মতমদা শিজিন্নবা এয়ার–টু– সরফেস মিসাইলশিং ওইরিবা লেজর গাইদেদ হেলফয়ার পানবা জেনরেল এটোমিক্সনা শাবা অমা য়াওনা মথক্তা কোয়না পাইদুনা লৈরিবা দ্রোনশিংনা মোনিটর তৌখি।

দোল্লর মিল্লিয়ন ৬৪গী লোং–ইন্দ্যুরেন্স এয়ারক্রাফ রিপরনা ইরান কম্মান্দর অমসুং অতৈ সেনিয়ার লিদরশিংনা তোংলিবা কার ২দা কাপত্রিঙৈগী মিনিট ১০রোমগী মমাঙদা উখি।

রিপরদা য়াওরিবা কেমেরাশিংনা সোলৈমানি মশক খঙদোকপা অমসুং গাড়ী অমগী মনুংদা মহাক্না লৈরিবা অমসুং মহাক্না করি মখলগী ফি শেৎলি হায়বদুফাওবা খঙবা ঙমহল্লম্বা য়াই হায়না ইরাক অমসুং অফগানিষ্টানদা মিসন কয়াদা দ্রোন ওপরেসনশিং মমায় চুমখিবা হান্নগী আর্মি স্পিসিয়েল ওপরেসন্স লান্মী ব্রেট্ত বোলিকোভিটচনা হায়রি।

এয়ারপোর্ট অদুদগী থোক্লকখিবা কার অনীগী মনুংদা অহানবা অদু সোলৈমানিগী কারনি অমসুং মদুনা মদুগী মমাঙদা লৈরিবা ২শুবা লম্বী অদুদা চংখিদ্রিঙৈ অতোপ্পা মীচমগী কারশিং লৈবা উদবা মতমদা হেলফয়ার অনীনা থাখিবনি।

# দিল্লি এসেমব্লি মীখল ঃ আম আদমি পার্টি, ভারতিয়া জনতা পার্টি অমসুং কোংগ্রেসকী এস দব্লিয়ু ও টি এনালাইসিস



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*

এ এ পি, বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকগী মরক্তা য়ান্না অরুবা মায়কৈ ৩গী কন্টেষ্ট অমা ওইগদৌরিবা মেম্বর ৭০ লৈবা দিল্লি এসেমব্লি মীখল ফেব্রুৱারি ৮দা পাংথোক্লগনি, ফেব্রুৱারি ১১দা ভোট মশীং থীগনি। মীফলগী ফল অসি হন্দক থোকখিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ)গুম্বগী আইনশিং অমসুং পেপরশিংদা হিংশাশিং থোকখিবা অদুগী মতাংদা বি জে পিগা মসিগী মায়োক্তা লৈবশিংগা থেঙ্গাইনখিবা থৌদোক কয়াগী মতাংদা পীবা মীয়ামগী ৱায়েল ওইনা লৌনগদৌরি।

এ এ পি, বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী এস দব্লিয়ু ও টি (ষ্ট্রেন্থ, ৱিকনেস, ওপ্পোর্চুনিটি, থ্রেট) এনালাইসিস অমা য়েংশি।

কেজ্রিৱালগী গভর্ণমেন্টকী থবক অমসুং মসিগী পাংথোকপা ঙমখিবা অচৌবা থবকশিংনা মসিগী মায়োক্তা লৈবা পার্টিশিং বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসপু ইন্থুরন্নবগী ৱাখলনা মাঙদা থারগা এ এ পিনা কেম্পেন চত্থগদৌরি।

হন্দক্কী মতাং অসিদা কেজ্রিৱালনা মখাতানা হেরো অমা ওইখিগদ্রা? মহাক্কী ষ্ট্রেন্থ ঃ ভোট চেনবগী শুন্দ্ধৎপা লৈবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল মীয়ান্না য়ানরবা লুচিংবা অমনি। ময়াই ওইরপ্পা কাংলূপ খরগী শৌগৎপা ফংদবা য়াই অদুবু সবসিদিদা ঈশিং অমসুং পৱার ফংহনবগুম্বা লাইরবগী খনবা অমসুং মীয়ান্না হেক্তা পামগনবা স্কিমশিংদা মহাক্না য়ুমফম ওইরগা ভোট খোমগদৌরি। ৱিকনেস ঃ হৌজিক এ এ পিসু অতৈ অতোপ্পগা মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরকখ্রে। মসিগী চয়েৎনবা ৱাথোক কয়া লৈখ্রে। লোক সভা মীখলগী ফল ফংখিদবা অদুনা পার্টি অসিগী নুংনাংনবগী মচাক অমা ওইখি। ওপ্পোর্চুনিটি ঃ মশামক মফমদুগী ওইনা খনগৎলবা ওইবগা লোয়ননা রিজনেল পার্টিশিংগী ষ্টেট মীখলশিংদা হন্দক ওইরকখিবা মওংশিং অদুনা পার্টি অসিগীসু কান্নগনি আশা তৌরি। শৈলা দিক্সিট মতুংদা কোংগ্রেসকী মীয়ান্না য়াবা লুচিংবা অমা লৈতবা অসিনা এ এ পিবু এন্টি বি জে পি ফোর্স অমা ওইনা লৈবদা মতেং ওইহনখ্রে। থ্রেট ঃ ২০১৫দা মায় পাকখিবা এম এল এ ৬৭ অমুক হন্না টিকেট পীবা তারবদি টিকেট য়েনবগী থবক অসিসু চপ চানা অরুবা ওইগদৌরি। মখোয় কয়া রিবেলশিং মায়োক্নরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা য়ুমফম ওইরগা বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টর কেন্দিদেট য়াওদনা মীখল শরুক থেংগদৌরি। ষ্ট্রেন্থ ঃ দিল্লিগী দিভলপমেন্টতা সেন্টরগী মতেং শোয়দনা পীগনি হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কেম্পনগী কান্নবা ফংবা য়াই। ৱিকনেস ঃ সি এমগী নোমিনি য়াওদে। কেজ্রিৱালগী হৌজিক লৈরিবা মীয়ান্না য়ানবা থাক অসি বি জে পিনা মায়োক্নবা মথৌ তারি। ওপ্পোর্চুনিটি ঃ সি এ এ অমসুং জামিয়া হিংশাগী ৱাফম পুখৎকনি। মেট্রো মতম থেংথখিবশিং, মিনিষ্টরশিং রিজাইন তৌখিবা, সিটি ওফিসিয়েলশিং অমসুং এম সি দিগা এ এ পিগা মুক্নখিবশিং অদুদা এ এ পিগী মায় পাকপা হন্থখিগনি আশা তৌরি। থ্রেট ঃ করিগুম্বা কোংগ্রেসনা মীখল অসিদা ফজনা থবক তৌদ্রবদি বি জে পিদা হেন্না শোকহনবা য়াই। লৈবাককী কোনুং অসিদা মায়কৈ ৩ মায়োক্নগদৌরিবা মীখলগী লান অসিদা কোংগ্রেসনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না অরুবা শীংনবা অমা মায়োক্নরি। ১৯৯৮তগী ২০১৩ ফাওবা থংনা–থংননা তার্ম ৩ গভর্ণমেন্ট পায়রকখ্রবগী মতুং কোংগ্রেস পার্টি ২০১৩দদি মেম্বর ৭০ লৈবা এসেমব্লিদা সুপ্নগী সিট ৭খক ফংদুনা মমি শান্নকখ্রে। মদুদগী অমুক হেন্না শাথিবদি চহী অমগী মতুংদা এ এ পিনা মখোয়গী অনীশুবা মীখলদা রেকোর্দ ওইনা সিট ৬৭ ফংখি। কোংগ্রেসনা অমফাওবা ফংবা ঙমখিদে। ষ্ট্রেন্থ ঃ শৈলা দিক্সিট শিখিবদগী কোংগ্রেস পার্টিনা হান্নগী অরিবা সুভাস চোপ্রাদা ঙাক্লৌ ওইরি। মসিগী মথক্তা পার্টিগী ওর্গনাইজেসনসু তৌদে, লন্নাই লুচিংবশিংনা পুন্না চৎমিন্নদে। ওপ্পোর্চুনিটি ঃ এ এ পিদা শৌগৎপা হন্থরকখিবগুম্বা অমদগী কোংগ্রেসনা এন্টি–বি জে পি ভোটরশিং ফংবা য়াবগী খুদোঙচাবা তাঞ্জা লৈ। মহারাষ্ট্র, ঝরখন্দ অমসুং হৌজিক হরিয়ানাদা কোংগ্রেসনা মায় পাকখিবশিং অদুনা পার্টি অসিদা অচৌবা ইনোত অমা পীরি। থ্রেট ঃ করিগুম্বা মীখল অসি নাকন অনীগী ওইরকখ্রবা অমসুং সেক্রোন–সেক্যুলরগী মওংদা পূশিন্নরক্তুনা ভোটরশিং মচেৎ অনী থোক্লকপা তারবদি এ এ পি অমসুং বি জে পিগী মরক্তা কোংগ্রেস পার্টি চপখায়খিবা য়াই।

# আই এ এস ২৫ য়াওনা ওফিসার ৭০ থবক লৌখৎলবা য়ারি

*পাটনা, জনুৱারি ০৭(এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০১৮দা নুপীমচা ৪০ হেনবদা সেক্সকী থবক চত্থদুনা ওৎ–নৈবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা বিহারদা লৈবা সেল্টর হোমশিংগী মেনেজমেন্টতা অশোয়বা অহোবশিং লৈহনখিবগীদমক মথক্তা থবক লৌখৎলবা য়ারিবা ওফিসিয়েল ৭০গী মনুংদা আই এ এস ওফিসার ২৫ য়াওরি। সি বি আইনা চহী অমামখায় কেস অদুদা মনুং হুৎনা থিগৎলকখিবদা অশোয়বা অমগী মথংদা অমা মথং মথং থেংনখিবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-351**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | 8 | | | 4 | 2 | |
| 4 | 2 | | | | 6 | | 1 | |
| | | 1 | | | 4 | 7 | | 9 |
| 2 | | 8 | | 7 | | 6 | | |
| | 6 | | 9 | | 2 | | | 4 |
| 9 | | 4 | 6 | | | | 8 | |
| 6 | | | | 4 | | | | 2 |
| | | 7 | | 2 | | | | 6 |
| | 4 | | 5 | | 7 | | | |


## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 20/11/19
Valid : 12/11/19
Sl. No. : 54834
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 25/10/19
Valid : 24/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Ereicha Indane**
Booking : 29/11/19
Valid : 05/11/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 11/12/19
Valid : 30/11/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Imphal LPG Service**
Booking : 23/11/19
Valid : 05/11/19
Sl. No. : 9998
Stk : 306/ 19kg -142
Time : From 07.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 14/11/19
Valid : 09/11/19
Sl. No. : 200
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : 15/11/19
Valid : 12/11/19
Stk. : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**M.M. Gas Service**
Booking : 08/11/19
Valid : 05/11/19
Stk : 850
Time : 07.30 to 10.30 a.m.


**সনা–সুদোকু–৩৫০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 7 | 8 | 9 | 3 | 1 | 4 | 6 | 2 |
| 3 | 1 | 4 | 6 | 2 | 7 | 9 | 5 | 8 |
| 2 | 9 | 6 | 8 | 4 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 6 | 8 | 3 | 2 | 1 | 4 | 5 | 9 | 7 |
| 7 | 4 | 2 | 5 | 9 | 6 | 3 | 8 | 1 |
| 9 | 5 | 1 | 7 | 8 | 3 | 6 | 2 | 4 |
| 8 | 2 | 7 | 3 | 5 | 9 | 1 | 4 | 6 |
| 1 | 3 | 5 | 4 | 6 | 2 | 8 | 7 | 9 |
| 4 | 6 | 9 | 1 | 7 | 8 | 2 | 3 | 5 |